
তৈল পরেং

ঈশৈ পাৱেং

শ্রীখুমহেম প্রকাশ

অহানবা কোঙবা: ডিসেম্বর ১৯৯৭



কোংবা: খুমন্থেম পব্লিকেসন্স, ইম্ফাল

মমল: লু: ৫০

লাইরিক নমকম :—

ভাগ্যবতী কার্যালয়, চূড়াচান্দ প্রিন্টিং ৱার্কস, ইম্ফাল,

লাইরিক ফংফম:

খুমন্থেম পব্লিকেসন্স

শগোলবন্দ মৈনোলৈরক

ইম্ফাল, মণিপুর ৭৯৫০০১

মাহৈ থরক্

রেদিওদা মণিপুরী থোরম লাক্লৌইঙদা মণিপুরী আধুনিক ইশৈ অসি গ্রামাদা শকপা নক্তনা পংলে লৈরমদে। আকাশবাণী গৌহাটিদা মণিপুরী থোরম শন্দোকপা হৌরকপদগীদি (১৯৫৮) মণিপুরী আধুনিক ঈশৈনা মরেক দরকার ওইরকখি। মণিপুরী আর্টিস-শিংনা ঈশৈ মরেক্কীদমক য়াম্না বানরম্মী। মতাং অসিদা ঐনা আকাশবানী গৌহাটিদা স্টাপ আর্টিশ ওইনা মণিপুরী থোরম শন্দোকপদা য়াওহনা লৈবনিনা ঈশৈ মরেক অসি ইবা হৌরকখি। ইং শোক ১৯৬৩ অগষ্ট ১৫ দা আকাশবানী ইম্ফাল হাংদোকপদগীদি ঈশৈ মরেক্কী দরকার অসি য়াম্না ওইরকখি। ঐনা আকাশ বানী ইম্ফাদা লৈরবা মতমদা ঈশৈ মরেক্কী দায়িত্বসু পুরম্মী। মতম অহুম্মী মণিপুরী অইবশিংদা ঈশৈ মরেক য়ামরবদা কুনমতা কুনমতা ইবিরকউ হায়জবদগী ইবিরকনা মতম অহুম্মী মমলদা আকাশ-বাণী ইম্ফালনা লৌশিনজে। কবিশিংনা ইবীরকপা

কবিতাশিং অহু ঈশৈ ওইনা স্থুর পানবদা অরুবা ওইনা থোকখি। ঈশৈদি হুংতিগী শন্দোকপা তারক-পনিনা কলাকারশিংনা হকথেংননা ঐঙোন্দা ঈশৈ ময়েক শীরু হায়বশিংহুগী খুদক খুদক্তা ইহুনা পীখি। অসুম্না ইখিবশিং অহু রেকোদ থমখিদে। কাইনথংদা ঈশৈ ময়েক অমদা তোঙান তোঙানবা কলাকারশিংনা হুম্না হুম্না শকপা ফংনবগীদমক ঈশৈ ময়েককী বোর থমহুনা ইশিন্নবা থৌরম শিনখি অসুম্না শকথবা ঈশৈগী রেকোর্দ থম্বা হৌরকখি। ঐহাক্না আকাশ বানীদগী থবক থাদোক্লবা মতুংদা খিজিনুবদা কলা-কারশিংনা হনজিন হনজিন শকখিবগী মশাগী মমিং অমসুং তারিক থাজিনবা অহুনা বর বর শেগাররবা ফিবমদা লৈরম্বদগী অফংবা থরদং থন্দোক্লগা লাইরিক মচা অসি ফোংজবনি। ঈশৈ ময়েক চনিয়াঙথৈ মুক তৌশিন্নবা চেনাশিং অসি লোইনা ফোংবা ওমজদ্রে। অরোইবদা ঐগী ময়েকশিং অসিবু শকপিখিবা কলা-কারশিং (মামিং অমসুং তারিক রেকোর্দ লৈরম্মী) অসিবু ঐহাক্না থাগৎচৈ, মথোয়না শকপিখিবহুদাগী রেকোর্দ লৈহৌহুনা লাইরিক মচা অসি ফোংবা ওমজরিবনি।

থূমেম্বম প্রকাশ।

মণিপুরী আধুনিক ঈশৈ
শকপা কলাকারশিংদা
ঐহাক্কী ঈশৈ পরেং
কৎচরি

১

লিরবা লৈকোলগী খুইরবা লৈরাং
তেকখৎলো কুমগী নোংহৌ লাকলে
কংলবা তুরেলগী চিন্নবা ঈচেল
ঈহৌরো ঈমায় লাঈজনা চোন্নো।

কুমগী নোংখোং অহানবদি
কংলৈ পুংগী নোংদম খোলনি
অরিবা পামেল উশা খুদিং
অনৌবা ময়োল চোংলরনি।

মল্লবা / মান্দবগী মূৎলবা মৈরি
চুখৎলো আশাগী মঙাল উরিঙৈ
তংলবা শরিকী শমহৌরো মন্না
খিঙহৌরো মালংনা তান্ থারিঙৈ।

কুমগী নোংঙু ঈশৈনা নিন্নো
অরি অনৌ পুন্না শক্‌লো
চীংলোন মাপল বাংম লান্না
কংলৈ পুঙগী খোম্বাং ঙৈরো ।।

ইং ১৯৬৭

২

খুরুমজৈ ইমা পোক্লকম লমদম্
চীংলোলনা পক্লোন খাগ্নিবী
খুরুমজৈ ইমা পোক্লকম লমদম
শংলেন ফিজোল খোল্লীবী ।।

নহাকী লৈরীক্না শেগ্বীরে হকচাং
ঈশিং সুংশিংনা হাম্নীরে থোবাই
ইমাগী নংতবা করিদী য়াওরি
ঐহাকী অপুম্বা নংগীনি ইমা ।

পুনসিগী য়াইফ কোরৌস্থু নংনি
কোরৌগী শামকম, নোংদোলস্থু নংনি
নংতনি ইমা পোক্লকম লমদম,
কংচরি পুন্সি থবাই হকচাং ।।

ইং ১৯৭২

৬

লৈরাংগী লৈকাদা খোংগুল তারম্মী
চেক্লাগী য়াবাদা খোম্থাং য়ৈরম্মী
হায়্ কৈদনো লোৎলিবা নংবু ॥
কোয়ৌ মশেক্কী মৈসাম্থ্ নংনি
ইঙলবা থাবলগী ইপোমহ্ নংনি
নংবু থিবদা পোৎথাকম, থঙ,দরে
নংগী লম্বীদা লম্মাংনরবে ।
হায়্ কৈদনো লোৎলিবা নংবু

নোংদোল লৈচিলদা শাথেক্ উৎলম্মী
থবান মিচাক্তা মায়কৈ তাক্লম্মী
নিংথৌ তুয়েলগুম, মমি শামথরে ।
লিরি মালংগুম, নাশোল পিকথরে ।
হায়্ কৈদনো লোৎলিবা নংবু ।
ইং ১৯৬৭

তাইজেনে প্রভু নংগী নগুণ
জগৎকী মপু চানবী হৈবা ।।

নোংদোলনা খাংজিব নংগী নরেপনি
কোয়ৌনা ঙাম্লিবা নংগী নশেকনি
মেংলবা হক্‌চাংনা থাবলগী ইপোমনি
মুংশিবা লৈনম্না নহাকী পাউজেননি ॥

নংতনা শেম্বা তাইবং কম্পাক্তা
জীবনা শাম্মরি নংগী লীলা
গোকপা শিবগী চক্র মুংদগী
নংতনা ওইরি লাম্বা উপায় ।

ইং ১৯৬৭

৫

পুন্সি চেংজেল লোইহনা লাকপদা
কৌবিয়্ নংনা তরাম তরাম, ॥
নংনা শেম্বীবা তাইবং ফমপাক্তা
নংনা তম্বীবা লীলা য়াওরুরে
সম্বং বসন্ত অহিং কয়াদ
প্রেমি প্রেমিকা কয়া শারুরে।
অবা সুংডাইগী শকলোন কয়াদ
থম্মোই পেমা শৈশক্ তম্লরে
লীলানা লোইবদা নংঙোন্দা কংনবা
মনাদি অমত্তা ফংহৌদরে।

ইং ১৯৬৫

৬

লমকাংলবা ভাইবদো
পুজি পোংনুম পুহ্না
কদোম মাইকৈ পাংজিবা
নংগী পনথুং কৈজনো।
থুংনাইপ্রবা লমথুংদা
নংনা য়ৌগে তাল্লিরা
লম্বী লম্মাংনজবা
কল্লি লাইবা হৈবনো।
মপু মানা পেনবীবা
কল্লি খুদোল পুল্লিবা
ঐহু নতুং ইনজগে
পুবিয়োনে ঐবুহু।

ইং ১৯৬৪

•

তাইবং কৈথেল কাহুনা
থোইদা খুদোল থিরবা
অবা মুংঙাই পোংলক্লা
কক্ঙাওনরে ঐহাক্তি ।
তংপাম, মুংশি পোংফমদা
কলক্ মিহৌ হারম্বা
থেংনক্লরে ঐহাক্লা
থুমোক চোম্না লৈক্লরে ।
তেম্বা নমু পুন্সিসে
কলক্ মৈশানা বায়ররে
থাংঙ্ থক্লো কেমলনি
থাংঙমদরে থম্মোইসে ।
ইং ১৯৬৪

নিনীগী চেংজেল পুন্থনা লাকপনি
লোইখিবা খঙহৌদে উনা উনা
লৈবাক্কী শাম শঙগাইনি খঙনা
মিকুপ অমত্তং থাম্মোক.পা ঙমদে ।

কীন্নক.লবা মন্নবা শঙনি
নোংমদি শোম্মরোই তুররনি
থাঙম থাঙমদ থাদোকলরনি
পামদ পামদ কায়নররনি ।

করম্বা লম্বীনো কদোম পাংবনো
কল্পা চংকনি ইত্তোমত্তা ঐনা
খোংথাং অমত্তা চিংবীম্বুনে
অরোইবা পম্বুংগী লম্বীদা নংনা ।

ইং ১৯৬৫

৯

মাঙত্রবা ঐগী ঈশৈগী স্বর
থিরক্নী কৈদ নবু ঐনা
নিংশিংলি নবু ওসিন্থ নৌনা
নহাকনি ঐগী ঈশৈগী হৌরককম্
পুন্সিগী অহানবা হুংশি মিতমকম.
কন্নিবু হায়সিগে করম্মা কৌসিগে।

ঐগী পুন্সিগী ঈশৈহু নংনি
ঐগী ঈশৈগী স্বরহু নংনি
নং নত্তনা ঐগী পুন্সিসে
স্বর ম্নাঙত্রবা ঈশৈ ওইহৌরে।।

ইং ১৯৬৬

থম্মোই মানা মিতাকবা
পাইম মুন্দা খোইদাক্রা
মুৱা মাগী মুংশি শক্তম
হাংল মাকংদা তিনথরে।
খোইকম মোমোন মিনোক্না
থম্মোই লাজোউ চল্মি
লকা মুংদা লৈহৌরে
মুংশি শক্তম য়েকহৌরে।
মুইনা হোৎনবা মুৱাগী খর
নাপ চিক্লা মুংশি বাহৈ
লিংশিং লাইক ঈন্নোল মুংল
তারিয়ে তারিয়ে লোইনা তারিয়ে।
ঙাইরি ঙসিহু মাবু ঐনা
তাম্না তাইবং তোর্বানাসদা
হুংলি তোইনা ঙুংশি মপাউ
লিরি হম্বা মাকংবদা
ইং ১৯৬৮

মুরবা শমজাংনা শরাসন
খোঝান মিচাকী নাচোমথেং
পারবা লৈচিলগী ইরফি
মালংদা লোইরোই হাইনহম
খোংজোই য়কলে অহিং অসে
নিংঙমদ মৈচাক পুক্লুনা ।
মথংলেন কোরৌনা ঙাঙিডৈ
ইকাই কিক্রংগী মকমদ পুথুনা
কোংঙমহৌপ্রবা · সুংশি বাঙ্গৈ
লকাজুংদা ওমুনা চাক্কলা
শেগায়ক্কলে লৈচিলগী চাদর
লাংথোরকলে থরানমিচাক ।।
ইং ১৯৬৫

নোংমো লাকখি থাবলগী ঈপোমদ
ঈচিক. লাবা খোংলবা অহিংদ
হৌরখি ঐবু চৎলসি হায়না
কৈনদো হংজুই থুমখিদে মানা।
মুংশি লৈনয়া হারবা শমলাং
মালংনা হুমবদা ইচোই চোই
ভেরা মফোলগুম খোংলবা হকচাং
অহিংগী লৈরাংনা ফিজোল ওই
মোমোন মায়থোংনা চিংনা য়েংলম্মী
ঙাওরবা থম্মোই লাংগোই চল্লমী।
পাররবা লৈচিলগী ফিজাং মরুমদা
মুনা য়েংলম্বা থাজনা লোংখিবা
ইকাই মুংশি য়াম্নমাক্লে
নৌরবী মায়থোং ইমক মকশিন্না
নাশোল পিন্না শোল্লম্মী নাপদা
চৎলগে ঐদি লৈহৌরো হায়না

ইং ১৯৬৫

কংজেল্লা লেরীকা মতমগী ঈচেলদা
মরীমাদি ঐহাকী থুমিগী হিরেন
কনানা হিপুংকম তাকপিনি।

চাউরবা তাওরবা। ঈশকসে লাকসে
থেংনরগনি ঐহাকী হিবান্দা
কনানা ঈমান্না খাইগনি ॥

ঈচেলসে কারে কৈরুলা, পুরে
চেংমীরে, পুথিগী হিয়েন
কনানা হিনাও শাবীনি।

মপান নাইহৌবা ঈপাক্কী তানা
চেংবীরোনে ঐহাকী হিসে
হিনাও শান্নিবা হে শকুন্দবা।

১৯৫৬

১৪

থরা থরী লাইজেনি ঐদি
থিনৄন্নগে ঈপাক্তা হন্না

মালংগী শাহম, ফংবা খুদিং
তনিক তনিক ঐগী থম্মোইনা
মাবকৈ খুদিং চেন্দুনা য়েংবৈ
কৈদনো ঐগী চেংকম, !

হমিংকী মশেক্কা কৈরকপদা
মণি মুক্তাগম, নংজবী ঐনি
পামজদরে ভাইহাকী পুন্সিগে
থিনহনবীরোনে ঈপাক্তা হন্না।

১৯৬৮

১৫

মনয়া শিংলকলে তমা
শিজাইরে হিকথরে চোইনা ।।

অহিং শোয়বা লেরকলবী
কবিগী অচুম্বা তহাবগে
ইহুং শোয়া তৈরকপদি
শিজেল নীংবা কায়রবোই ।।

অনুক শাংপনা লোইশরা
চৈরাং নংগী পুন্সিনা
শিজেল চৈশাং অনুবদি
উমুললক্তা অনবোই ।।

১৯৬৬

মাজংনী শাহম কংবলা
মিশাইয়বী মালিকা
লোংচরি নৈনাশিঙা নোনা
য়েংজরি মুনা মুনা ।।

নৈয়াংনী নৈনম কংবলা
ভাওয়বা থোইমু নৈপাযা
পাইয়রি জলা জলা
খিয়রি তোইনা তোইনা ।।

নৈবাংনা নৈশাং তয়বা
থোইমু মাশীনি খবয়া
লোথচয়বী শিংজেন মালিকা
নৈকা চোইনা তায়েলো ।

১৯৬৬

১৭

[illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] ।

বিফিনা [illegible] [illegible] খালোই
হনা' [illegible]
[illegible]
[illegible] ।,

[illegible]' [illegible]ঃচেক্লা
[illegible]
[illegible]
[illegible] খালোই ॥

১৯৬৬

যুগদি থম্মোইদি তাজ কন্না
মৈরি থোক্লা চাক্লম শাইমুরেন
মিংদু অনিনা শিংবা ঈন্না
তংজা চাম্বদি থম্মোইশী তাজ।

উবিরোই কনাহ্ ঐহাকী তাজ
থম্মোই ঈপ্রিকা হৌজবা মহল।
কুংনব মিংলুংদা ঈরানা থক্‌পদা
মুখশনজিনো থম্মোইশী তাজ
মাইকবা মহাকী তাজমহল
শোজবীরি তাইকনা শকপিরি তোইনা।

১৯৬৬

কমা কমা নাকলা তাইমংনি
কমা কমা হনখিগনি
শিজনবা নেবা পিনি
খমোই পেমা শিহগনি।

নাইজ ঈরিক পকশিরবা
ঐগী খমোই নৈকংনাম
হুংশি ঈরি থিকপিরবা
কৈমনো নংবু হুংশিব
শিহরকপা মিংকী পিনা
হুংওমনরে অবা মৈচাক
কাউপে খম কাওঙমনরে
নিংশিং নিংশিং নিংশিংওমনরে।

১৯৮৫

কপালি [illegible]ঃ

    কনুনা [illegible]

[illegible]

    উনম-কহাই।

শিংরী কাজর

    ঙুপুরে পিয়াংনা

হকচাংগী নৈতেং

    হুকথরে নৈরাজা।

শংনা মুমবা

    যকুনা ঈচেলা

নব বন

    শ্যাম উকরে!

লেংথরে রাধা

    চোংথরে ঈচেলা

চিংখংজি সখীশিংনা

    তাঅরবী রাধা॥

১৯৬৫

২১

কনাবু কৌবগে তাম তাম
হো তান্না খোমৌখা।
ইচিক হন্নবা খাঁহিন
খাবন ঈপোম মরক্তা
খমোই পোকপ খোহানো
মান্নকৈ তন্না নিঁঠাখা।
তুমধ্রবা এঁগ খপোইবু
স্নাকামহন্রে খহাক্না
তামরঁবা এঁগ বাখনৈবু
বিংশিনহন্রে নৌহৌনা।

১৯৬৫

২২

করিগী উরবা মহাকপু ঐনা
পুন্‌সিগী বসন্ত অমুক্তা।
কুপাইন শঙ্গুব থম্মোই লৈরাং
নিংজবা মহাকী আশাদা
লৈমন চলহৌরে থাংমুথক্তা
কায়ন বৈশা লাংহৌরে।
বসন্ত ঋতুদি লাকখিনি হয়া
অনৌব ময়োন চোংলখিগনি
পুন্‌সিগী হৌথব বসন্ত লাকলরোই
থম্মোই লৈরাং হয়া শাংলরোই।

১৯৬৫

মুমিংনা চীংয়া তমখিব উবদা
কায়ন মৈখুনা কুপহৌরবী মালেম
মায়থোং মকশিন্না ফিরুপ খুমখিব
সুন্না মহাকনি তমখিদো ঐঙোম্বা ।

ফুগায়না শাংলম্বা লৈরাংগী লৈনাদ
তোংলম্বা খোইমু পাইখিব উবদা
থম্মোই শোক্না হায়খিদো মানা
নহাকনি খোইমু মুংশি খঙদব ।

ওয়াংদ শাংলম্বা শিংঙেল গুলাপ্পা
লৈকা চোইন লৈমায়দ কেন্নবদা
সুন্নাগী মিংলুদা লৈরাংন শিনখিদো
নিঙোলগী পুন্সিদি গুলাপনি হায়খিদো ।

মুন্না পাইয়কপা চেক্লাবু য়েংহনা
পাইমিনসিকো বাশক্লখিবা
কনার ওসি পাইরমদাই মিকুপ্তা
উনরে ঐহাক্কী থম্মোই চেক্লা ।

১৯৬৫

২৮

থাবলগী, ইপোমজা পুশি, মপান্দা
কাঁইরী নংবু, কমায়নো শকহনেরি ।
থাজন্ মেনলগা নহাকপু নোংইনশুম
পাইশিনবরা থম্মোই নুংশি মকাম ।।

চোইরব শম্মাংন থুমলিবী মায়খোং
উরান থাজন্ন লোংথরে নৈচিন্না
লাইরম ঈকৌয়ে মাপলগী শহম্না
মেঙ্ ঈশাকনে তমিক তনিক্রে ।।

নৃশী মৃতিশুম লেংজবী নিংথিবী
কমানো হংলকনে মালংনা তোয়না
মুনা মুনা মেংলি থাজনা
শিহবি মহাক্তি তরংগী লাইচন ।।

১৯৬৫

২৫

নিংঙমদ মৈচাক হৌরক্রে
ফুম্বংনরব বাখলগী অভিয়াদা
তরংগী লাইজনা শিম্বৈজে
মৈরিবু মূংকে লক্লাজে ।

হমলকলে নিংশিং নোংলৈ
পুথরে ঐগী থম্মোই
লংথবিরে মুংশি ঈপাক্তা
চাংজৌ লাম্বস্থ ফংদরে
থম্মোই শোক্ল তেংথাজৈ
তাবিদে তাইবং কনান
খোনথাংজনা ঐগী
য়রি থম্মোই লকাদা ।।

১৯৬৫

২৬

বিকার বিদার করক্রা পিগনি
কবী ঐগী কায়ম মিচুক্রা ।

হুংশি চেংলৌ থপ্মোইদা যেকস্থিসে
করম্মা মুংকনি হায়রম্মু নংনা ।

ফোংগুমদ্রবা থপ্মোই মৈচাকসে
করম্মা পুহুনা লেনগনি তাইথংদা
চাকলম্বা আশাগী থাউমৈনা মুংপদা
লোইথগনি ঐহাতী পুন্সিঙ্গু
নিনিগী শাংলবা থপ্মোই লৈরাং
কেনথগনি থাংমুথক্তা ।।

১৯৬৫

২৭

কদায়দনো শ্যাম
কৈদনো কানাই
বৃন্দাগী বাশক থুগাইদুনা
করম্বা বৃন্দাবন থাদোকপে ।

কাউরবরা শ্যাম
কেশর কুঞ্জদা
রাধানা শাউরবা [illegible]দা
চংজকম লৈত্রবা কুঞ্জ
বৃন্দা সখীসা বাশক লৌখিব ।

ব্রজপুরদা শ্যাম
কলংকিনী রাধা
করম্বা বিদায় পিগনি
কনাবু হেক্না লৈহৌগনি ।।

১৯৬৬

অমংব নোংগী মচুবু ওমজব
মথেক অহুম ওবা মুত্তিদো
মাবুতা উইনে ঐগী মিংসিদা
কময়া কাউসিগে হায়ুনে ইতা ।

মহাকী মোমোন নোকপা মিনোক
লৌনম্মা থল্লবা মিংচিগী লাংদ
থঙন থঙনসু থুকইনে ইতা
নাহোকচবা ওমজদে ঐনা ॥

থম্মোইগী মনি ফুংশির শ্যাম
তংজনা কৌজগে ঐহাকী কাহাই
নংবুত ফংজবা পিথিবু ঐঙোন্দা
পামজদে অতৈ কন্নিহ থম্মোইনা

১৯৬৬

ইরৈপাক ইজাতিনী নিংতম্বা
ওাকনি ঐখোইগী শক্তিনা ।।

হিন্দু মুসলমান শিখ ইসাই
লৌমী শিনমী কোটি কোটি
বহু কোটিগী শক্তিনি ইখোই ।

লাকসনু করবা নোংলৈ
লৈয়মসনু বাংলবা চাংজাও
নিংহনবা তৌরোই ঐখোইনা ।

হকচাং মচেং তাখিসনু
য়াইবী থবাই মাংখিসনু
ওাকনী লৈবাকী নিংতম্বা ।

১৯৬৫

পাইরি কিরাল 'মচু অহমগী
চক্র থাম্বী 'ঐখোইগী' ।।

লৈতাং অতৌব অশংব মচুগী
ময়ামদা নম্নীখা ধর্ম চক্রনী
মাললা হাইরি লিরি লিরি ।

লৈতাবনা খৌনানি কংখোকপা তম্বগী
অচুম্বা শান্তিনা অতৌব মচুনী
খঙ্ঘ লিয়েলনি অশংবা সিনা ।

অচুম্বা শান্তিগী শেংলব মচুনা
ঙাক্নোইরা ধর্ম চক্র অশোকী
জাতিগী কিরালনি অতিয়া পন্নীবা

১৯৬৫

৩১

শায়বা কালেনগী লৈতম্লায়রকপা
কল্লবা মালেম থিনগায়রহনা
খোংনা নৌনা শাংলিবী
হাদ লৈরাং লৈবাকলৈ।

শিঙেলগী লৈনাম্নি খোংনা মেঙলবা
কালেনগী মুংশাদি মৈশাওম য়াক্রবা
কল্লা থাওবগে হায়্রুনে শিঙেল
হায় লৈরাং তনৌবীও।

লৈরাংগী পাকীহু তুং ওইনা
শিঙেলনা লৈশাং তম্লবু
কল্লবা মপুগী ওয়াবা থুংশেমনো
হায়্রুনে লৈরাং তনৌবীও।

১৯৬৬

" থম্মোই নত্তনা কম্মিম্বু লৈজদে
থম্মোইগী মপুদা কংনবা ঐগী।
লাইরবা মপোক্তা পোক্লব ঐনি
কম্মিম্বু লৈজদে পিরাং নত্তনা
শোংজগে নখোং থম্বালনিদো
মিংতগী শিন্থবা লাইজতনা।
লৈরাংগী মপোক্তা পোকওমজহুনা
মপুগী নাপদা লৈতেং ওইজব
কয়া ফংগনি তোল্লবা ঐনা
পাম্না থল্লবা পুনসিনি ঐদি।
নাপীশিঙদা পোকচগে হয়া
তিংথৌলক্তা তিলহনবীয়ু
য়োইহনবীয়ু মপুগী থুম্লাদ
মপোক মপোক থুজিং ঐগী

১৯৬৬

ৃন্দাবনগী কৃষ্ণ খুজিংদা
ুংলরে ঋতু রাজ বসন্ত ।।

হৈপাল লৈপাল পুমনৌ নৌরে
বাহোং থেঙ্গা জগোই শারে
কোকিলসু পঞ্চম স্বুরদা খোংলরে
য়েংঙু ইভা থম্মোইসে নৌরে ।

চংলসি লোইরো শেম শারো
ঙাইরমলগনি নন্দগী মচা
মচুদো থিংলো অবের য়োমলো
পেচ্চকারি পিবিরো ইভা ।

ব্রজ গোপিবু যমুনা মপান্দা
ওংখিবা শ্যাম অমুবা কানহাই
খুমলুসি লমন চংলসি ইভা
লৈরমলগনি নন্দগী মচা

১৯৬৬

হোলি শান্নরি শ্যাম
ব্রজ গোপীশিংগা লোইননা
অবের পুবাম পুবাম
চাইরি রাই কিশোরীনি
থাজবু ওজবী জানৌরবী
নিংখিবী রাধাগী মাহুখোং
তৈশিরে শ্যামনা অবের
চেন্দুনা থাংজরি রাধিকে।

কাপ্লি পেচ্চকারি গোপিশিং
থংথরে কানহাইবু কোননা
চুখরে মচুগী নোংনা
চেনখম লৈতরে শ্যাম
শ্যামগী মতৌ উবদা রাধা
থামজরি শখীশিংবু ভোইনা
কোনজরি কৃষ্ণবু চেংনা
অমত্তা ওইখরে ম্যাখে শ্যাম্ ॥

১৯৬৬

৩৫

থিকশিন্নু হমি খোৌজালগী ঈরিক
পাশকী মৈরীনা চারুব থম্মোইদ
চানবী .হৈরুবানংনি মপু
শোম্নরি ভাইবংনা হে দীনবন্ধো

নংগী খোৌজালদি মশাল নাইদ্রবা
সমক্তনি ওমথৈ লৈত্রবা
ঐগী পিক্রব পূর্নাস ঈচেলসে
তিলহনাবয়ো ।নংগী ঈপাক্ত:

থাশিগী অহিংভম ভক্ত ময়বা
পূর্নাসনি ঐগী মঙাল হাওব্রবা
চূবিহু নংগী খোৌজালগী মৈারনা
ময়বা ঐগী থম্মোই লাইয়ুমদা

১৯৬৬

পুনসীগী অঙনবা অয়ুকসিদা
করিগী শিম্বরি মিৎলুদ পিরাং
হংলুরী নাপদা মালংব লিরিনা
পোম্লীবা শিঙেল মালিকাদা।

লৈরাংদি লৈশাংসু তম্মাম্রবী
কনাগী কাইন শাহম্রনো
হাম্বুনে শিঙেল পোমশাংনবী
করিগী শিম্বরী মিৎলুদ পিরাং

পিরোইনরবী অয়ুকী লৈরাং
খুমজবা ঙমখিদে মালংব মপাউ
য়েংজখি চিংন লৈমায়দ কেল্লিব
ঙরাংদ শাংলংগী মালিকাদা

১৯৬৬

৩৭

চুখৎপিরো ইমা চুখৎপিরো
লৌশিংগী মৈরা চুখথপিরো
মডাল খোংসুবা কংলবা দোশীনি
চুথাবাবো ইমা জ্ঞানগী ঈবী।

শুক্ল মম্নব শাইবং পুনসিদা
ফাংলব লমীন লম্ফাংনগনবা
কবম্না যৌনি নংগী মন্দর
মাংকৈ খংদ্রবা মিৎ ংাংবনা।

পুন স চেংজং দ লোইশ্রগান
শইবং থেংচৎ লেপগনি
এাদ েশমহৌবে থাম্না লৈহৌরে
মন্দিরগী লমদ লম্ফাংনহৌরে।

১৯৬৬

খোংখিদরে ঐগী থম্মোইগী বীনা
থোকখিদরে স্থর তংলব তারদা ।।

য়েংঙু ঋতাসে খোংচং লেপতরী
অনৌব ঈশৈগী স্থর পুরকলি
সগীরো তারা ঐগী বীনা
শকলাগে অনৌব ঈশৈগী স্থর
শরুংকী থাবলদা লৈচিনসে পাইরে
নোংইন্ন থাজগা অমৃত চুপলে
ঐগী থম্মোইসে ইরাং হৌরে
অনৌব ঈশৈগী স্থরনা নিরে।

১৯৬৫

৩৯

থম্মোইগী থুমব কাচিলদা
থাখিবা নৈরাং চারাসে
নিংথমগী উল্লেন যৈথ্রমাক্লে
শাংঙমদরে শিঙেল শুসাপসে।

বসন্ত লাকলে য়াকাইরে।
শাংলোনে শিং ল নৈমুংশি
কুমজা কয়া হৌখরে
ভাইঙমদরে থম্মইসে।

ঋতু মাদি লাকখিনি হন্না
অনৌব ফীজোল হোংলখিনি
যৌবন বসন্ত হন্না লাক্লরোই
শাংলোনে শিঙেল শাংলোগবা।

১৯৬৬

কাউঙমদরে ঐহাক্কী বাখলনা
হৌরব পুনসিগী বারী কযা
মুংঙমদরে ঐহাক্কী খম্মোইনা
লকাদ যেকশ্রবা মুংশি চেংলৌ ।

নিংশিংলি ঙসিস্ত নৌংহৌনা ঐনা
মুরাগী মিংস্না থব়াল লকা
থাজবু ঙমজবী মুজাগী মাইখোং
মুরবা শম্মাংনা খুমখিবা ।

বিধিগী তমথীবা কলম্না ককখিব
ঐহাক্কী নহাক্কী পুন্সি লৈপুন
বিদায়গী মতমদ পিরাংনহৌরে
নিংশিং নিংশিং নিংঙমহৌদরে

১৯৬৬

গোকুলগী থা ব্রজদা ঙাম্নবা
মথুরা পাংলকলে শ্যাম ।।

মনবী মনাও শক্তিক শোক্তরে
চোংঙা তেনবা মরোল থোক্তরে
ব্রজগী হৈপাল লৈপাল অপুন্বা
বিদায় লৌহৌরে পিরোইনহৌরে ।

হে অক্রুর মুংাশ থঙদবা
করম্বা থম্মোইনো মুক তমথিবা
নহাক্না কৃষ্ণবু পুবিগ্রবদি
ব্রজদি করম্না হিংহৌরগনি ।

রাধিকা চেল্লক্লে দোলাই থৎলরে
ব্রজগী গোপীশিং দোলাই থামলরে
শম্না য়েংলে চকাদা য়াম্লে
ইবেম্মা রাধিকা লৈমায়দ তুরে ।।

১৯৬৬

হায়্নে চায়্রবী লৌশিং চাওরবী
করম্মা ফংগনি কুঞ্জদা কৃষ্ণ।

লাইবকস্ থারবী মীবাংগ চাওরবী
ঐগুম্মা মপোক ফত্তবী মুপী
ব্রজদা কনা লৈবগে ইতা॥

অনিদং তিরে ঐবুত ভাংনৈ
অহুমদং শুরে ঐবুত নোকনৈ
ঐতগী বানা লম্বী তেম্মরে।

মিকুপ অমত্তং কাউজবা ঙমদে
কোংন মক্তবু শোজবা ফংদে
ব্রজদা শ্যাম কলঙ্কিনী ওইরে
করম্মা থাংসিগে হায়্নে ইতা

১৯৬৬

৪২

উরুরে ঐনা মহাকী মিংশ্মাদ
মুংশিগী ঈপাক ঈপোমগা লোইনব
মুরবা শমলাং মালংনা হুন্দা
ঈথক থোরকখি চংজো পারকখি।

খংনুদে ঐনা লৌনৌ মানি
মহাকী মুংশি লৌনমগী লাংনি
ঈথৌ লাংলবা নৈগী থাম্মোইনা
তাদুরে ময়াগী মরিচিকা।

লৌনবী মহাকী মুংশি মকাদ
চেনাশিনজরুব ঐগী মুংশিব
মরুভূমিগী নৈংথোই মরক্তা
কংহুনা মাংখরে মুংশি ঈচেল।

১৯৬৬

৪৪

কুমগী নোংহৌগুম শূক্লা মম্নব
হৌরক্লে অবাব লৈচিন মপৈ
কুপলরে থম্মোই; অতিয়া থুংনা

মীকপ মীরাক্তি হৈবৰী নোংজুগুম
হিক্লা হিক্লা তম্মরী থাম্মোইদ
হৌগ্রব মুংশি মবাহৈ কয়া

জমলাক্লে বম্নব কাযন নোংলৈ
হৌদাকপীরবে থাম্মাইবু নৌনা
ওংলরে নিংজমদ ব্রাখল চাম্মনা

১৯৬৬

৪৮

শ্যাম সুন্দর মদন মোহন
হৃদিদা চেৎনা কোনজোনে ওাইবং
থুমলব মেংলব হবিগী মিংলেন
ওৎ ভনা শোনজো নপুগী কোলোই

পুইনা হৌরিকপা নোংবু ভমজবা
খৌংদ সনা ফগে থোল্লিবা
পদ্ম বাগ মনীনা লৈদংবা
ত্রিভঙ্গ মূর্তিনা মহাকী ওইবা

ব্রজগী কুঞ্জ কুঞ্জদা ভাল্লিবা
গোপ গোপীগী থবাই ওইবা
নিংজব অপুম্বা থুংহনবীরিবা
ভক্তগী মনাই ওইবিবা হরি।

১৯৬৬

১৬

শিংলক্লে লিরি নামিব মলয়া
মাধবী লবঙ্গ লতা কুঞ্জদা
নুংশি ঈরৈদা তাউরবী মুঙ্গাগী
থম্মোই য়াবাবু পুক্নুনা তাম্না ·

রভিনা ঈরা চেক্লুব থম্মোইগী
অনুরাগদা খোইমুনা ঙংলরে
লৈহি চোম্লবী শিঙেল মালিকা
লৈরাংগী লৈকা ফুগাইনা শাংলে ।

নারক্তা নাইতোম শাংচবী কেতকী
করুণ মাইথোং পুরিবী শিঙেল
তাইবংগী রভি লীলাদা ঙকলে
বিরহী থম্মোই শোক্না কম্নকলে ।

১৯৬৬

৮।

শোনজো হবিবু তনো তাইবং
কোকনি শোয়রোই পুন্সিগী পোৎলুম
পোকপ শিব মহাকী লীলানি
মা[illegible]না শেন্না [illegible]ইরবং [illegible]মপাকর্নি
মায়না কুপ্পব মীওইব পুন্সি
হরিনা ওইগনি লাম্নব উপায়।

তোল্লব তারব ক্লিবগী মক্লপনি
ভকগী মথা পেনবা হর্বনি
ভৃগু পাদ চিহ্ন কর্দনি
জগৎকী মপু থোক্তান ইবনি।

১৯৬৬

মালংবনি ঐদি

মালেম খুংনা কোয'রবা
শিঙেল লৈরাং খিত্নুা
শাংলো শ'ংলো হায়ারবা
লিার খে'ংদোংহ হুনহুন।

তাইবং শিন্না শংলুার
লৈকা খু দং চংত্নুা
মুংশি মুংশি শে'ন্দুার।

নৌর মুরা কয়াগা
চোহর শমলাং শল্লুার
চেংন লুনা খুমজবী
ইকাহ ফজং হাংলুার।

মুংঙে'ম্রবা মুজাগী
নাপ চিক্ক থেমলুরী
অপান ঈ'খৌ লাংলবী
মুংশি মৈচাক হাপ্লুরি।

১৯৬৭

৪৯

লৈরাংনা লৈখোক্ক শাংঙমদনা
লৈমায়দা কেনবদা নিংঙমদনা
লোইরে খল্লুম মাংলে নিংলুম
তাইবং পুনসিদা নিংবা কায়রবা
আশাগী মৈরিনা মতাল থোকত্রবা
মমলে খল্লুম উত্রে নিংলুম
কংদ্রিবা নংগী লংগী চংপদা
য়ৌদ্রিবা নংগী পম্বুং তানবদা
লাক্রে খল্লুম য়ৌরোই নিংলুম
লোইনা তিন্নুনি অরোইবদা।

১৯৬৭

পোৎথাকম থংদ্রব ঐগী থম্মোইনা
কনাবু থিরি পোৎথাব লৈতনা
শংলব নোংদোলদ পাইরিব লৈচিল্লদ
কনাবু য়েংলি মিৎফম হোংদনা।
তামলব াতয়াদ বাখলনা পাইরি
হাংলব মালংদ খোঞ্জেল তারি
কনাগী হুরনো কনান শকপনো
ঐগী থম্মাইদ খোম্থাং য়ৈররি।
লৈনম্না চুরবা লির মালংবা
কনাগী শন্থননা থেংলরিবা
ঐহাক্কী নাপদ শোনবগুম তারি
থিরুম্ন ল্যাপ্পা লৈবনি নক্কা।।

১৯৬৬

৫১

হুমবীরুম্নু মালংব লিরি
কমবীরুম্নু নাপদা লোম্না ।
পোমজরিবীনি লৈশাং ওমদ্রবী
শিঙেল লৈরাংনি লৈকা শুদ্রিবী
লোৎচরিবীনি লৈনালক্তা
হাইদোকপিরুম্নু লৈকা চোইনা।
মুংশি মৈশানি মেংনা য়ারুব
নৌরিবী লৈরাং খওজব ওমলোই
খোইমু চিরোননি লৌনম হৈরব
পাংলবী শিঙেল খওজব ওমলোই ।
নিংজব আশা মপুং ফাদ্রিডে
কনাগী কায়ন মৈশা লাংহুনা
লৈকা চোইনা লৈমায়দ কেনবদ
কনাম্নু য়েংবিরোই লৈরাংবু হুম্না ।।

১৯৬৭

শেমহৌদ্রব পুনসিগী মীকুপ্তা
তাখিব মমি থম্মোই লাইযুমদা
চামজুদনস্ত কোক ঙমলরোই
পুনসিসিমগী মুৎঙমলরোই ।

অহিং কয়া কপ্তুনা লেনখি
লাকলরোইদবা মাবু ঙাইবদা
মিৎদু অনিদা পিল্লাংনা শিনখি
নোংমদোল লিক্লানা মৈচাক হাপ্পদা

নোংইমা থাজবু পামজক্লবা
অমুকনা সম্ব্যাবু ঙাইরুবনি
ফংলরোই খঙনা ফংনিংলুবা
থম্মোই লাইমন ওইনবনি ।

১৯৬০

নংবু খিবদা পোংথাকম থঙদরে
নংগী লম্বীদ লমমাংনররে।

ময়াম চৎথরে মাঙদ থাখরে
পাংদব ঐদি তুংদ লৈহৌরে
তারদ্বা লম্বী খুনাম মুৎখরে
ঈপাং কনা উদরে।

মাইকৈ পুন্নদি খোঙলনা নিরী
নহাকী মুংশি য়াবাদি তারি
পুকনিং হকচাং শুমহৎপীরি
থম্মোই ঈখৌ লাংহনবীরি।

ভিক্কারি থম্মোইন থৌজাল নিরি
নংতগী থৌজাল ঙাইহনা লৈরি
কন্না কুইনা ঙাইখিগনি
ঐগী পুকনিং মুংঙম্না কপলি।

১৯৬৭

হৌরো হৌরো জিব অপূর্ব্বা
লেংথোরক্লে অয়ুক লাইরেম্বী
য়েংজহৌরো থম্মোই পেম্মা
কৎলো ভক্তি মঙ্গল আরতি।

মালং মাস্থ থোগল তৌররে
শিঙেল শিঙ্গারৈ খুজোক চাইথরে
শকলে উফৈদা চেকলা শঙ্গ্না
নিজরে পিবিয়ু ম্নংশিব স্থর

মণিমুক্তা চাইথোকলে চোইনা
শংলব নাপীগী মতোল খুদিং
নোনজহৌরো পামেল নংস্থ
শিন্থজহৌরো ভক্তি পিরাং।

১৯৮৬

পামজবা মাগী মকাদ য়োঁদরে
পামজন শেমজবা মুংশি খুদোল
মংভাপ্পা কনাগী নাপদ ওংলুরে
ভাওলব পুনসিগী শিঙেল নাচোম

নিংব কায়রবী লৈরাংগী পুনসি
লৈছু থোক্তরে লৈশাং তমদরে
লৈথোক লোয়রবী শিঙেল শিজারৈ
মুরাগী থম্মোইনা মিতাক্লরে ।

অহিং মুংথিল অরেপ্পা লৈতরে
মিংলু আনদা পিরাং শিন্থরে
লকাদ য়েকলিব মুংশি গৃত্তিদা
থম্মোইগী লৈজবা কংচরি ।

১৯৬৭

মোন্নাং খাদ লোৎতুনা থমলিবী
স্নরাগী নাপদ থেৎলগ্না নাচোম
সুংশি কনাগী থুদোলনোন্নে ।।

মৈরাংনা মৈমন চন্দুনা মাংবদা
নিঙোলগী মিৎলুদা পিরাং ঈহৌব
পাম্মু কনাগী মরান্নানোন্নে ।।

মমচুনা মৈজবী মৈরানবী মাবু
করিগী মঙাল পিবিকরিবা
মৈরিদা ঙাওরবী মাগী মতৌবু
করিগী ঊরগা হরাওবীরুবা ।।

১৯৬৭

খুংত সঙ্‌খ চক্র গদা পদ্ম
খ্বাংদ সনা ফিগে শুনজ্বা থোঙ্গীব
ভৃগু পাদ চিন্থনা লৈতেংবা
কৌজরি ননাইন হন্না হন্না।

যুগ৹ খুদিং নংগী শায়োলনা
সর্গ মর্ত্ত পাতাল অহুমদা
ননাই পাপিশিং লানবীরিবা
ধর্ম্ম পামেল মঙ লৌংবীবা।

ধ্রুব নারদ মুনি ঋষিনা
চহি কোটি নংবু নিংজবা
নখুয়া খপাল য়োঙমখিদ্রবা
কৌজরি ননাইন হন্না হন্না।

১৯৬৬

মালেম নৈমনা ঈখৌ লাংজব
ঈংলব মালংন মপাউ ত্মরে
হৌরক্লে কুমগী নোংছৌ : ইনা
পাইরক্লে মুরশা লৈচিল মপৈ

নৈমগী খোংলোই লি'র মালংব
মালেমগী শম্মাং সাইনোল নিক্লুরে
মুরব শম্মাং ঈপোম হৌরক্লে
নোংগী মপৈনা ঈরাং হৌরক্লে

ঙরং ঙরং ঙংলকে হৌনা
নোংথাংগী মীচিনা খংলক্লে তোইনা
জীরি জীরি চূথরে নোংনা
মরৈ লিশিংনা মালেম্বু চুপ্লে ।

১৯৬৭

ভাংলৌ অসিদি বাইশিনখরে
ঙাইাখগদবনে ঐবু
থম্মোই আস লাংতক্করে
লাকলারোইদবনে মাবু ।

নোংদোল অতিয়া মমশিল্লক্কে
ঙাল্ল গ থাজত্নু লোংখরে
নিংখৌ ভুরেল ঊ খদরে
রাখনগী হিনাও হরাক্করে

পিরাং নংবু ঙাইখোনে
মেংকী কাজল মুংখিন্নুনে
মিপাই চাওরবী থম্মোই অসে
খেমলখিগাননে মানা ।।

১৯৬৭

ঈয়াই থকৌ নোংগৌবী ঐনি
ঈঙাগী নোংতবু ঙাইজবী ঐনি
কুমজা চুপ্পা ঈখৌ লাংলবী
বাশক ফৈরাদ কাইদোংজবী।

কুনগী অহানবা নোংখোং ভাবদা
ঐগী থম্মোই মকা লাম্নজরুই
নোংদোল অতিয়াদ লৈচিন উবদা
চিংনা চিংনা মিংচিনা য়েংজরুই।

সুংশি থঙদবা ঙাউরবা মালংনা
লৈনা লৈনা লৈচিনবু হুমখিবা
নিংবা কান্নরবা ঐগী থম্মোইনা
খোঞ্জেন বাংনা তেংথাজরুই।

থম্মোই শোক্লব ঐগী সুরদা
কুইনা হৌরকপা নোংগী মপৈনা
মচেৎ মচেৎ কিন্থরক্লে
নোংথাং লৈনা জগোই শারে

১৯৬৭

পামেল উরাংদ শাংচবী
শিংভেল লৈরাং চিগোংলৈ
সনা মচু হেনজবী
মুরাগী মুংশি নাচোমলে।
খোইমু মাবু কিবনা
অরাংব পামেলদা ওংবরা
নম্ন তাইবং কোইবনা
শিংভল তিংথং পানবরা।
মালং পাওজেল হৈবনা
মুংশি লৈনম য়েনখরে
চিংজাও খোইমু লৈপাংনা
শিঙেল কাদ ঙংলরে।
সনা লৈরিক ইচোই চোই
মালেম লৈদ কেললবোই
মুংশি লৈনম মাংদনা
উঘুল থক্না ... বোই।

১৯৬৭

ষুপা— পোম্বী নংবু ভাইরিয়ে
চেক্লা শাখপ, তোয়ররক্লো
হাংল,নোংদোল মালংদ
মুংশি শৈশক তম্মু্সি।

ষুপী— পোন্দা য়োকপি চেক্লানি
খোংদ রিনজুর থাংলবী
পাম্মু য়াবা তোয়রবু
থম্মোই লাইমন ওইরনি।

ষুপা— য়েংঙু তরং মালংসে
শথক হৌরে সুরনা
মশা য়াওদব লৈচিননা
লৈনা জগোই শারে।

ষুপী— ঐগী থম্মোই অতিয়া
শিন্নে নোংগী মপৈনা
মিংলু নাপোম অনিদা
অবা পিরাং শিম্বরে।

ষুপা+ষুপী— পাংথৈ নাইব তাইবংদা
হকচাং পোলাং পুনজরো
ওমথৈ লৈতব থম্মোইদি
অপাম কাদ থুনেরে।

১৯৬৭

৬৩

শরৎ বসন্ত কয়া ছোখরে
ঋতু লৈরাং কয়া শাংখরে
পুলি বসন্ত ঐগীংস্থ ছোখরে
থাংমোই লৈরাংদি তৈলশাং তমজরে।

ঐনা ওাইরুখি আশা তৌরুখি
লাকনি ঐগিস্থ মুমিংতো নোংম
মুংশি লৈরাং ফুগাইন শাংলনি
থাংমোই পেরা লৈছি চুপলনি।

লিরি মালংদা মপাউ হংলুখি
অমুকী থরান্দা বারী লিরুখি
থাময লৈচিলনা নোংমদোল শিনখরে
ঐছাকী আশা মমি শামখরে।

১৯৮৭

বাকচিংগী মমৈদা উন,খা মরক্পা
নদোম পোমলিবী শিঙেল লৈমুংশি
মুংশি কনাগী বাশক পরৈনো
করিগী থম্মোই অতুক কনবানো

অহিংগী লিক্লানা পিরাং ওইতুনা
লিরি মালংগী চিরোল কয়ানা
শিঙেল নকাদ মুংশি শৈজদ্দা
তান তান থম্মোই ওন্দবী।

বসন্ত লাক্লনি মুর হোংলনি
অনৌব লৈরানে মালেম শিরবনি
শিঙেল নত্তৌ য়েংদুনা নোক্লনি
শাংহৌরো লৈরাং শাংচহৌরো।

১০৬৭

৬৫

হায়সি হায়গুমদে হায়দসি নিংগুমদে
হুংশি ঈপাক্তা ঈয়াক্‌নরে
চিনি চম্পাগুম কোচি খাংলিবী
কেতকি লৈরাংগুম তিংখং পাল্লিবী
। লৈরাংগী লৈনমদ গাওরবা খোইমু
কোয়না থিররি শাগপ তোররম্মি।
ঈরোল হুংদা পোমজবী লৈরাং
ঈপাল তাংনা শাংলিবী শিংডেল
লৈখোক্ত তিংখংনা য়োম্লিবী খস্বাল
কনান তিংখংবু কিন্থুনা হন্‌বগে ॥

১৯৬৭

শেংলব অয়ুক্ত লাইজ ঈপাক্ত
কনাগী মমিনো তারো তারে।

চোইরব শগাংন থুমলিবী মাইথোং
উবদা কোয়ৌনা মিতায়ে মালেমদা
লাইজস্থ ঈহৌরে মাগংনাইহন্না
ক্লেংঙ্‌ ঈপাকসে তনিক. তনিক্রে
পোমছুনা লৈজবী শিজেল থম্বাল
মথংলেন, উবদা ফুপাইনা শাংলে
ইকাই হুংশি য়ামন্নমাক্রে
হাইনা হমনা থাংজরি লৈমাং ।।

১৯৬৭

৬৭

ঈচেল জংলবী চাংজৌ খেলবী
ভুরেলনি ঐদি মাংগলবী
নহাতৌ সুংশি লাইজ ঈপাকো
তিনজানিংবীনি তিনজানিংবীন।

নোংবু ঊমগা হরাজলবী
বাহোংান ঐদি জগোই শারিবী
সুংশি লাইজ ঈখৌ লাংলবী
নোংগৌবীনি ঐদি নোংগৌবী।

কুমশী নোংহৌদা ঈমায় পারনি
ঈচেল অপুষ্পা ঈমায় চোরনি
লাইজ ঈপাক ঈরোল সুংছুদা
রুদ্রা শিরনি গাইজরিবীনি।

১৯৫৮

৬৮

লেপখ্রসনু লোইখ্রসনু
পুন্সি ঐগী ঈচেল
থুংশি ঐগী ঈশৈ
শীংবনি লোইনা।

তিনখ্রসনু নঁংগী চিন্নবান্দা
লপখ্রসনু নংগী খমোয়দা
হন্না য়েংবনি ঐনা
করিদি লেমহৌরি পুন্সিদা

লৈরম্বনি ঐগীসু নোংম
পিক্কবা আশাগী চমজাল
লৈহৌরো লোটনা চংলগে অহুম
চাইহাক্তদি লোপখিগে ননাক্ত।

১৯৬৮

৬৯

করয়া কাঙ্গানি মুংশি রাছৈ
তারুখা ঐশী ইরায়ী ইরায়ী।
চিরোলনি খঙনস্থ থাম্মাই হাংলুবা
বাজাহৌবনি ঐতনা ঐতনা।
নাপদ খেংপিখি শিঙেল নাচোম
মুংশি খুদোলনি হায়বিখি মানা
ঐনদি খনজখি পুন্সি লৈপুমী
পুকি সিমগা তংলরোইদবা।
তমখিব। বিখিমী নিতি অকনবা
তাইওমবীরে হুজাগা লাইবক্তা
সেগাইবীরমলে শিঙেল নাচোম
লৈমাইদা কেল্লে মাচোই মাচোই!

১৯৬৭

হৌগ্রবা রারী নিংশিং, নিংশিং,
তেংথারি থম্মোই হুন্না হুন্না ।

সরংকী থাবল মালিকা মংথাও
অহুঙৈগী মুংশি রাবী
ঐগী মহাকী ওইরবোইদবা
রানা শেমলুবা তাশাগী লৈকোল ।

নোংমতু পাইরুখি পাইমিন্নরুখি
পারব লৈচিলদা লৈচিলগী বাংমদা
নাপদা থেংপখি থরান মিচাক
নিনিগী থাজনা শমজিদ: ।।

১৯৬৮

বাহৈগী বাংমদা পুবিরোনে
য়াবা খোনজেন ঝৌদব লমজ
ফোংঙমদ বাখলনা ফুম্বাংনরবী
ইকাইশু খীরবী পাঙজদমবী।

বাহৈ অনিদং হায়জনিংবনি
লৈরেংনা খংপদ খোকঙদবে
পুকনিংগী আশা ফোংজনিংবনি
বাহৈনা লাম্বদা ফংঙমদরে।

ছিরোই যাওদ্রব হিনাওগুনলে
পাক্লব পুনসি ঈযাইসিদা
লগী লমথাংদ লম্মুকনবে
লমফাংলবা তাইবংসিদা।

১৯৬৮

৭১

হংশি ঈরৈদা ঈরোইরিবী
পান্মুই রাখলদ খোইরাংলিবী
খল্লু তাইবংসে মাযানি
পুন্সি অসিঙ্গু মালাননি।

লৈরাংগী লৈখোংদদ লৈপাম্নাববা
মসিগী মন্নাদ মায়োক্নরিবা
খল্লু পুন্সিসে খোঁদাংনি
তাইবং মপুগী শিঙ্গু নি

নোংম চোংনব লাকপা তাইবংনি
নপু মংল পিনবা লীলাংনি
নংগী ঐগী করিস্তু লৈতে
পুন্নমক মাগীনি মহাকুশীনি।

১৯৬৮

পুন্সি য়্যাচংবা মতম ওইরকলে
ঙাল্লবা আশাগী মুমিৎ তাখরে
কনানো ঐগী থোংজিলদা লেপলিবা
পিথোক পিশিনগী মতমদি লোইথরে

হয়েংগী ইন্নুং তৈনা ঙানবদা
অনৌবা কিজোলদা ঙাইরমগে নংবু
ভিক্ষাগী ঝুলি চোম্নবা হাপচগে
ঐনা পামজব বোরস্থ নিজগে।

পুথোক পুশিনগী তাইবং লীলাদ
ঙসিদি ঐহাক লমন, তোলহৌরে
মথংগী মুমিত্তা শিংলগে ঙমনা
হল্লো নহাকস্থ ঝুলিদো হাংনা

১৯৮

কাওগে খন্না কাওঙমদরে
খন্নোই নিংবস্থু নিংঙমদরে
কনানোনে মাবু
করি লাইবা হৈবনো

ইচিক হুল্লবা অহিংদা
তাম্না তাম্না কৌরকপা:
তুমখুল হুল্লবা খম্মোইবু
হম্মা হম্মা হৌদোকপা।

নোংঙাল লমদাই শজিক্‌ম
মিংয়েং কারল থংলিবা
থাবাই ঐগী অপিশক
তনিক তনিক হুল্লিবা।

১৯৬৮

কুঞ্জ কুঞ্জদা কোয়না পাইরিবা
অমুবা খোইমু লৌনম চাউবা
মাবুতা উইনে ঐগী মিংসিদা
কার উপাইনো হায়ুনে ইতা।
খোংলবা এহিংগী শুক্রবা লম্বীনি
চংলরোই কৌবতা মণ্ডমদে
বজগী মৌনি শাগে ওল্লবী
মীনা উখিনি খন্না খন্না।
মহাকী মবাহে লৌনম্বা মীনোক
মহাকী লৌনম্না থল্লবা মিংচি
লৌনমনি খণ্ডনা থাজকই ঐনা
নাম্বোকচবা ওমজদেনে শ্যাম॥

১৯৬৮

থৌজানবীম্ব হার তোম্রব ননাইবু
থৌজাল হৈবা নংনি থৌজালগী মপু ।।

হৈজদে পূজা খঙজদে পোৎলম
করিবু হায়রগা নংনা পেনবীবা
ভক্তি নত্তনা করিস্থ লৈজদে
নহাকী নফমদা কৎনবা ঐঙী ।

অহিং সুংখিল অ'নমক্তা
শকচা'গ শোজগে নহাকী নত্তন
নহাক্লী অহৌবা অয়োইব নাইদবা
ভাইবংবু শেম্বীবা জগৎকী মপু

১৮৬৯

ঐবু উরগা কিজিনা মায়খোং খুমলিবী
পারবা লৈচিলগী ফিজংদা থাজওম লোংলিবী
ভস্মু করি অবাবা লৈবগে
হায়ম্ন করিগী মায়খোং লোংপগে।
নত্তৌ উরদা লাংতক্সরে ঐগী থম্মোই
তামপ্পব বাখলগী মমিনা হৃংলরে তোয়না
নিংশিংলিবরা অচুঙৈগী হৌপ্পবা বারী
নিংথৌ ভুরেল তোর্ব্বান্দা শাখিবা বারী।
নৈররে লকাদা নিংঙমদ বাখল চামনা
হৌমক্লে ঈথক থম্মোই চাংজৌ পানা
কাউরগে খন্না কাউঙমদ্রবা ঐনি
করি হায়সিগে পিরাং শিন্থবা নত্তনা।

১৯৬৮

শানৌ নংব্ তারবন্না বসন্ত মপাওসে
লিরি হুম্বা মালংবনা নাপ চিন্না তমলে
চীংজাও খোইমু লৈপাগ্গনা গুণ গুণ ঙংলে।
পুকনিং হুর হংগাম মপাল চরোং চরোং শারে
তঙাং হঙাং মনারক্তা হৈনৌ মপাল শারে
উরুবদা অপাম মুংশি থম্মোই ঈরাং হোরে
চীংয়া তময়া তাম্ন তাম্ন পুকনিং ঈনৌ নৌরে
শংল নোংদোল লৈচিল মালং তন্নং হোরে
নাপল চাউবী মুজাশিংসে লোম্না মীতারে
কুম কাংদবী কুন্দো গুলাপ মায়থোং মকা লামলে
নৌজরিবী শিংঙেল লৈকা কম্না শাংলে
চংলসি লাক্লো চান্নবী বসন্ত ওক্রুসি।

১৯৬৯

৭৯

হো সুংশিবা ঐগী থবাই ওইরিবা
হকপিরো ওক্‌শমদা লৈরাং পরেং
থেংপিরো নাপদা শিঙেল নাচোম।

থম্মোইগী বিনাদা নংনিনে স্বর
ঐগী পুন্সিগী ঈশৈগী স্বর
থবাই হকচাং অনিগী তুংনক্কম্‌।

নহাক্কী আশাদা ঐনা হিংলি
লাইজনি নংনা ঐনা লেমলৈনি
ঈপাল তাংনা হিংজবী ঐনি।

১৯৭০

ঐগী ৱারী কনাদা লৈকনি
লৈখোক লোয়রবী শিজনরৈনি শিজনরৈ
ঐগীদি ৱারীনি অসিগুম্বা ৱারী
হাবতনা থল্লবা অৱাবগী ৱারী।

ঐগীসু কৈরম্বী নুংঙাইবা ৱারী
নুংঙাইরব ৱারী কয়া কয়া
অদুবু ওইরমলে মঙলানগী ৱারী
চুমমক্তে মঙলানগী ৱারী।

নহাক্কসু ঐহাক্কুম কপবরা
কনাদ লৈক্রবনি ঐগী ৱারী
শিন্দরগনু অহিংগী লিক্লা
লৈরগে তারো অৱাব ৱারী।

১৯৭১

- ১

প্রভু নংগী মৈরিদা ওইজগে মৈরানবী
চাকপীরো ঐগী খিবিক মায়াগী পুন্সি ॥

পীক্রবা থবাই ঐগী মৈখিকনি অশিংশক
নংনী মৈবুল অচোবা থবাইগী হৌনফম
হৌরককমস্ত নাইরে নংদি লোইব খন্থা লৈতে
লৈত্তবগী সংসারদা লৈরিবস্থ নংনী।

লাইজ ঈখৌ লাংলবী নোংগোবীনি ঐদি
ওইয়্ নংনা নোংবু পুবা মুরবা লৈচিল
ইংহনবীরো ঐগী থম্মোই থোজাল লাইজনা
চানবীরোনে চানবী হৈবা পীনিহৈবা; নংনা।

১৯০৭

নোংমা বাহং অমা হুংখি ঐঙোন্দা
কনানো নংবু কেদায়দা লৈবনো।

ঐনা খুমখি লম্বী চংপনি ঐ
ইখুন লৈতে ঐগী ইয়ুম লৈতে
খুংলুকমন্থ লৈতে ঐগী কনা লৈতে
উখোং বাখোং পল্লুবন্দা মমনি ঐগী যুম্মী

ঐগী অনিংবা ঐগী অপাম্বা
লৈতে ঐগীনি হায়বা
নিংবা কায়বা নিংবা থুংবা
অমত্তনি ঐগী কনা লৈতে।

১৯৭০

শংবান্নবী অতিয়া য়েঙ্‌ নোংনা মুয়ে
মুয় নোংদোল ফিজংনা মালেম শিন্নাকুম্লে
মিপাইরবা উয়োক পয়েং পয়েং পাইরে
য়েংঙ্‌ ইতা ঐগী পুক্নিং ঈন্নাংনা থল্লে।

ঈথৌ লাংলবী মালেম হন্নাও মথোই কায়ে
হৈপাল লৈপাল লোইনা লৈনা জগোই শায়ে
মুংশি ঈথৌ লাংলবী থম্মোই ইন্নাং হৌয়ে
পাইম মুংদা ইতা মণ্ডল মণ্ডল থল্লে।

শকথঙদবা পামু মুংশি কনাগী মপাউনো
ঊখিদ্রিবা মাগী শক্কম লকান্নুংদা য়েকলে
ঊনিংবনা মাবু থম্মোই লাংতকনবে
হায়ুম্‌ ইতা ঐগীসিবু করি মতৌনো।

১৯৬৯

হায়ু ইতা চান্নবী করি লাইব্রানো
মুংশিব্রুরে ঐদি পামজব্রুরে নংবু।

পিরোইনবী শিংগারৈ লৈখোক লোইগনবী
মিপাই চাওবী উরিরৈ লৈশাং শুদবী
পামজদে নে ঐনা মুংশিদেনা ঐনা।
কালেন মৈশা মায়োক্লা লৈশাং অম্নীবী
কম্ল তেমপাক লৈতজাই তেমশিংনরিবী
হায়ু শিঙেল লৈবাকলৈ করি মতৌনো
লৈরাং লৈপাল তুংওইনবী নদোম শাংচবি
মালং চৈথেং কিদবী মকা লামদবী
মুশি কনাগী রাশক্লো হায়ন্নু চান্নবী।

১৯৬৯

ঘুপা— বাহি অমত্তং হায়রম্মু নংনা
ঐবু মুংশি মুংশি হায়না
হয়া অমুক্তং য়েংলম্মু নংনা
নংগী খোইরুম মিনোক্ত্রনা।
ঘুপী— তাজানিংদে খোইমু চিরোল
তুংশি লৌনম বাহি কয়া
তুকা থম্মোই হুবখিবা
ওমজরোই ওমজারোই ঐদি ওমজরোইয়ে
ঘুপা— নংগী মুংশি য়রা খোঞ্জেল
ঐগী থম্মোই লাংগোই চল্লে
নংগী তুংশি চেংলৌ শ ম
পাইম তুংদা মিতম হৌরে।
ঘুপী— মুংশি ঈপাক ঈয়াহত্নদা
লাইজ ঈথৌ লাংল থম্মোই
মাইকৈ খংদ ইদোম তরক
ওম্মোইয়ে ওম্মোইয়ে ঐদি ওম্মোইয়ে।
ঘুপা + ঘুপী— কায়নবা উনবনি
থম্মোই লাইমন ওইনবনি
শিন্থনব শেম্বা পিনি
থম্মোই পেন্না শিম্ফগনি।

১৯৬৯

নুপা + নুপী   হৌঞবা বারিনি ঐগী নংগী
অদুডৈগী মুংশি বারী ।

নুপা—   ঈচিক হুববা অহিংগী মমৈদা
শিঙেল মালিকা থাবলগী ঈপোমজা ।

নুপী—   শমজিদা থেংখি নংনা থেংপিখি
থবান মিচাক চরোং চবোং ।

নুপা—   লিক্লানা চোংলবা শিঙেল মৈরাং
পিরাংনা শিল্লবা মিংস্না থম্বাল ।

নুপী—   নাপদা লোম্না ছায়খি নচাক্লা
পুন্সি সিনগী থাদোক্লরোই ।

নুপা—   করম্না কাওগনি নংবু ঐনা
নিংশিং নিংশিং লেপ্পনি পুন্সি ।

নুপী—   মুংশি মৈরীনা চুরবা থম্মোই
পুন্সি সিমগী মুংলরোই মুংলরোই

১৯৬৯

৮৭

অহিং কয়া নংগী থোংগালদা লেনখি
চেনা কয়া নংগী শক্তম য়েংখি
ইঙাগী নোংনা নংগী তমাংদা চুখি
ঐগী থম্মোইনা নংগী মাখলদা কপখি

মমিং খুদিং নংগী মাখলদা ঙাওরি
চেনা খুদিং নংগী নকমদা ইরি
নোংবা মাহৈনি লুংশিবা নিবনি
নংগী থম্মোইনা চানবীবা পাম্বনি

ইম্বোকপিয়ে থওনা থওনা কাওজবা ঙমদে
চানবিবরে থওনা থাদোকচবা ঙমদে
নংগী মিংথ্রেং অমতংনা কোনশিনবিয়ুনে
মোমোন মিনোক অমতংনা মুংশিবিয়ুনে।

.৯৭০

ম্নুরাগী নাপদা পাখক্লে নাচোম
মিন্তাক্লরে ঐহাকী থম্মোইনা
লম হেন্নবা ঐগী থম্মোইনা
নাপগী কৈস্তেং ভ্রখৈ
মীহৌক্লবিবা ঐগী থম্মোইনী
মুংশ লাংদ থুরুন্নবা থম্মোইনী ।।
মুংশি শৈশক হৈজনবী ঐনি
করুণা ম্নরদা করম্না শকনি
করি লাইবানা নংবু কংগনি

-১৭০

মালেম থুংনা খিরুরে
সৈবমদে নংগুই কৈম সৈরমাদে
খকম কয়া উক্রুরে
পাম্বুদে নতাকুন কনা পাম্বুদে।

তাওরবনি ঐনি খাওজরগো খমা
ফাশিজবনি নংবু থবাত হুকচাং মাওনা
কৗরি নুংগৗ নুংশিকবা কোংদাকপুই তমদে
হায়কম খওদে ঐ হায়কম খওজদে।

ঐগৗ ইরোল মীলোল নছে
ঐগৗ বাখল মরম সৈলাও
ঐবু করম হিংলাসি
ইপক খওদে ঐ ইপক খওজদে।

১৯৭১

নংগী নংশি মৈরিদা
ওইরে ঐদি মৈরানবী
হন্না হন্না পাইশিল্লী
চাকচরগী পেত্তবী ।।

লৌনম চাওবী কেতুকী
তিংথং পান্নী কাওকরে
থোংনা নৌবী চিনি চম্পা
কোচি থাংবী ওইরস্রে ।।

শিঙেল খোজ্রুল লীরুখমি
খোইমু শাগল তেকহৌরে
লৈরাং লৈনম ফংদুবদি
থম্মোই লাইমন ওইহৌরে ।।

১৯৭১

৯১

থবান মিচাক্কী লমদমদা
লৈচিল লোহ্লাই গোংহুনা
নিংথৌ তুরেল তোর্বান্দা
নংশি নংবু থাইরমগে।

নিনি পানবা থাজদা
থাকৈ হিরেল তোংহনা
কাঁয তরেং মশাইকোল
নংশি লৈপুন খিরকসি।

পাম্বু খোঙ্গুল লৌরকই
নংশি লমদম খিরকই
ধ্রুব তারা মকাদা
নংবা পাউমম্বরমগে।

১৯৭২

৯২

নংদি ঐগী পুন্সিগী ঈশৈনি
ঐগী থম্মোইগী বীনাগী তুরেনি।
খোংলো নংগী বাঁশী থম্মোই পেম্মা
লাম্লবা খুন্দোন্দগী পুক্নিং হনা
ঈথক হৈতম্মো ঈশৈগী তুরেনা
লুমহৎপিবো নংজাগী থম্মোই।

লৈত্রবা থবাই নংবাগী
নপাইরবা পুক্নিং নংজাগী

পাইবকপি তাম্মা নকা তম্না
থরাই হকচাংগী পম্বুং তম্মা।

'৯৭২

১৩

ঐদি চংলাগা লাকবনি
নংবু ঙবদা খোঙ থাংবা ঙমদ্রে

ঐগী লমাইদি অসমতনী
লুপং অসিমখক্তান

থাদোক্লো ঐবু খিংলগনু
ঐগী লমাইদা পলহনবীরন।

নংগী কায়ন মৈ.রসিনা
মৈরা ওইনা চমলগে

নংবু নিংশিং থাহৌশংনা
লাইবা ওইনা শোন্নাগা

১৩-৭২

৯৪

নং নত্তনা কনা লৈরি
তোল্লবীগী চংজকম

পাম্না থল্লবা তাইবং লীলংদা
লুপ্লবী ঐনি মায়কৈ থঙ্ল্লবী।

থম্মোই নত্তনা করিস্ত লৈজদে
থম্মোইগী মপুদা কৎনবা ঐগী।

শিক্ষরকপা মিংলুগী লাইজনা
শেংজগে নহাকী নখোঙ থম্বাল

মপোক মপোক থুদিং নহাকী
চিংশিনহৌবু নথুম্না থাদা

১৯৭০

৯৫

পিরাংনো শিল্লবা ইঙাগী অহিংদা
মুরাগী তংলবা থম্মোইগী তারদা
কনাগী সুরনো কর গা ঈশৈনো
মুক্তা থম্মোই তনিক তনিক্লে।

মীকপ মীরাও হৈরবী নোংজু
কবিগী লোংশগে থাজবু নংনা
মথংফেন বাইনা মেশা লাংলবী
কবিগী চানবীদে নেশইনবু নংনা।

ভাইজবতনা ঈশিন ওইজবী
শিঙল লৈরাংশী পুক্তনা পোক্রবী
করমনা থাউসিংগে কবিবু তাযসিংগে
.হৃং পুংশিবা ঐগী মুংশিবা

১৯৭১

মাবু ঈবগা ঐনা কবিগী লোনোন ভোরুবা
হায়কম খঙদে পুক্নিং অসে ঈরাং হৌমে
খঙহৌদনা থম্মোই লেরাং লৈকা ফংলে।

কুমগী নোংদা হৱাওবী নোংগোবী
থম্মোই পেম্মা মুং শ শেশক ওনলে
লকাম্নু দা ঐগী ব থল থেক। শুগোই শারে

মরানবীনা মারপুংদা কবগী চোংশিনবা
ঐগী থম্মোই লৈতাদার মওল মওল খরে
হায়, ইং। ঐন কাবি মুংগী নারুবা

১৯৭১

হৌধ্রবা পুন্সিগী চেনা চেনাদা
ইহৌরে নিংঙমদা রারী করঃ
থরুন্ যাদে ঐগী রাখলনা
মন্নবা পুন্সিগী নুংশি রাবী।

নিংঙমহৌজ্রবা ঐগী থম্মোইনা
খোঙ্গুল লীরুন্ য়াদে
মুংগ্রবা থুনাম মাহুনা থিরী
চংগ্রবা লৈকলম শমলুগে হোৎনরি

হায়ানংবা কয়া হায়ঙমহৌজ্রবা
ফোংনংবা কয়াম্থু ফোংঙমহৌব্রবা
লোৎচুনা লৈহৌরে থম্মোই কাচিন্দা
নুংশি রাহৈ চান্মা চান্মা।

১৯৭১

ঐদি নংবু ভাইরি লৈকোনসিদা কমল্লনা
তাখিনি নংগী য়ারী লাইরেবাকী বারী
হায়খিবনি নংনা লৌবীনি নোংমা
ঐদি কাওরে কাওদে ঐদি কাওদে।

শিংগারৈনা লৈমন চন্দ্ৰ লৈমায়দা কেনব
লৈবাকলৈনা লৈপাল যাওদা শিজেল লৈপাং তম্বা
হংখিবান ঐনা কার লাইরা লৈবা
নংনা হায়খি মরম লৈ মরম লৈ।

লাইরেংবী লৈকোল থুদিং লৈরাং মমল শাংলি
অহিং মুংখিল লেপ্পা লৈতে থাজ অতুম ঙাম্লি
শিজেল লৈরাং লৈমন চান্দ মুংশি ঈথক হোই
খোইমুশিংনা থম্মোই পেন্না লৈরাং লৈহি চুপ্পী।

১৯৭১

ঐবু কৌরি তান্না লমজম তান্না
মখোল খোক্তু,বা বংশীগী মুরলা।

মিরবা থবাই তাওরি কোয়না তাওরি
মাগী মুংশি ঈথক ঈপোমলক্লা।

মরোল থঙল মাবা খোঞ্জেল তারি
নাত্নকৈ খঙলা ঐনা খোলুল লীরি।

অরাং মালং ঈথক হৌরে মুরলা
ঐগী থম্মোই তমহুৎপিরে মুরলা।

১৯৩-

কম্লগবু খুংশিবা শক্লবা
অছুদি কম্লগে ঐন্থ
হায়রগবু অচুম্বা ওইরবা
অছুদি হায়রগে তারো।

অহুঙৈ থাবলদা মেরাঙ্গী আহংদা
শিন্থখিবা পিরাং মিংলু অনিদা
করিঙ্গী খঙাবদে নংনা
ঐগী পিরাং মরোল খোক্ত্‌বা।

নংগী মুক্তিদা অয়েকপা মুক্তিদা
হায়খিবা বাহৈ খুমিং খুদিং
নংবু খুংশি চুংশি হায়না:
পুম্নমক তায়োম্বরবা ।।

১:৭১

ঐদি নংবু মুংশিজবনি
করম্বা ফোংলসিংগে নতোন্দা
ফোংদোকলবনি থম্মুই
মুংশি থাহৈ কয়া।

দা হান্ননা হায়রনা হাক্তমজবা
থাহৈ অমত্তা ময়োল ওন্নমজবা
অসিবু করম্বা ঈল্লালনোনে
নংনা ঙাকপিবা য়ারক্লোকৈদবা।

ঐদি চংশি নহাকী নকান্দা
চংনা চংনা চংলমজরবা
নহাককী করম্বা লম্বীনোনে
ঐনা চংপদা য়োৎক্লোইদবা।

১৯৭২

১৭২

ঐগী মিংলুংদা মকোক সেন্তনা
কম্লী পিরাংলা শিন্নীবা
ঐগী থম্মোইদা থবুরা সৈতনা
কনাগী বাখল তোক্লিবা।

মরোলগী য়াওদ্রবা ঐগী বাহৈ
কনাদা কম্ভিং হায়রম্বা
সুর য়াওদ্রবা ঐগী ঈশৈ
ইহোমতা কয়াম্লা শকলৌবা।

থম্মোইগী লাইস্নুংদা কনাগী খুত্তি
হন্না হন্না য়েকলিবা
মশক থওদ্রবা কনাগী মিৎয়েংদা
হন্না হন্না শোল্লিবা।

১৯৭২

১৬৩।

পিরাংনা শাঁরবা ইচেলগী অহিংলা
মুরাগী তংলবা থম্মোইগী ভারদা
কনাগী সুরনো করন্দা ঈশৈনো
মুজাগী থাংখাই তমিক তনিঙ্গে।

মীকপ মীরাও হৈরবী নোঙ্গু
করিগী লোৎপগে থাজবু নংনা
মথংলেন কাযন মৈশা লাংলবী
করিগী চানবীদে নোংইনবু নংনা।

ভাইজবতনা ইপুম থীংলবী।
নিংভালগী পুক্নিদা পোক্লরবী
করিনি হায়সিগে করম্না থাঙসিগে
মুজাগী থম্মোই তনিক তনিঙ্গে।

১৯৭২

১০৪

নংদি ঐগী পুক্নিংগী পুক্নিংনি
ঐগী থম্মোইগী বীনাগী স্বরনি
চাংলব মালংসে ঈথক হৌরম্।
নংগী ঈশৈগী স্বরনা নিনহল্লম্।

ঈচিক হল্লবা লাহিগী ভাংলৌসে
লিক্লি হনাল্লবা মালংগী ঈপোমসে
নংগী নুং'শ ঈশৈগী স্বরনা
মরোল থোক্লে ঈশথক তমলে।

কাম্লবা বাঁশী ঐগী বাঁশী
থম্মোই পেম্না খোংলগে ওসী
নংসে ঐগীনি ঐগীনি হাক্না
পুক্নিং সিমগী থাদোক্লোই হাক্না ॥

১৯৭৮

করি হায়সিগে খজরকপনি
নংবু ঊবদা ওয়মকা কাউরে
চাময়ক হুম্না নংশিংলকপনি
ঊনবা সিদা ওয়মক কাউরে।

নুমিদাং থাইগী নোংজাবীনা
কৈজনো ঐবু পূবীবিবা
নোংমদোল থকী চুমথাং মচুনা
করি পাখোংনো চল্লরীবা।

লৈকাব খোইমুনা ওংবা গারগা
শোজখি ঐনা চাম্বরক হুম্না
অম্মু করি লাইবানোনে
খম্মোইদা তাশোল ওইরবীবা।

১৯৭১

ঈচিক জনবা আহুং অসিমা
ভূমিন ভুমিন নাপলা ঙংসি
আংলৌ আসিদি রাইশিনথারে
চানবাদি লাকলাবে।

থরাব নিচাক মুংখিলরী
নোংলোল থাজ নোংখিলরী
খুংশি বাশক আরখিনি
চানবলো লাকখিনি।

অহিংশী পিরাং শিঙ্গরুক
মিলাইরবী শিকোল শিংথারে
নৈমাকলা ফৌইনা নিকথাক
লাক্কলবা হো তানবা।

১৯৭১

১০৮

ওইহৌরে ঐদি মমকা দোশী
মচাল য়াওরবা থাওমৈগী দোশী
নোংলৈ খুংশিংনা মুংথংশীরবী
মালংদা মদোম ভাজহৌরবী

.হৌরব ন০নগী 'নং শং তুলনা
লক'দ' .ংকালব' ংশি শ ক্ষম
মুংচরসম্থ 'নংলুগা 'পর'ংদা
লুপচংসন্থ ভকাও উবৈদা

· 'শাগী নভ'ক মন'ংৌরসনু
মমুন ং'ম কাংৌবসম্থ
ক ন'দ অমুক লাংৌ ব ঐগী
মংগীব পু ~গী 'লকর মাসদা

১২৭২

নিংশিংলে ঙসি নৌহৌনা ইমা
মতমগী লৈরোল চনথ্রবা নচাশিং
মাতৃ ভূমিগী মুক্তিগী যজ্ঞদা
থবায় লৈরাং কৎখিবশিং।

শিবা নাইদ্রবা নিংতম পামেলসে
মখোযবু নিংশিং পিরাং শিন্নরে
মুৎলরোইদব নিংথম মৈরিসে
থম্মোই কাক্কুমদা রচুখৎপিররে।

কুমজা কয়া তুমখুল তুল্লবা
বাকংবরীব ঙাসদি হুন্না
হৌরক্কে কল্লবা ঈথক ঈপোম
ইমা লৈবাকী মুংশ ঈপাগে।।

নংনিনে বাপু নংনিনে মহাত্মা।।

নোংদগ্বা মানা হুনখিবা মরুনি
মালেমদা শান্তি লিংনবা পামেলনি
অচুম্বা অহিংসা নিতিদা হৌখিবা
সুংশিবা থম্মোয় লাইজনা চাউখিবা।

ভারত ভূমীদা লৈশাং তমখি
মালেম শিগ্গুংনা লৈকা ফনখি
অনৌবা যুগকী অনৌবা মওালনি
মীওইবা জাতিগী লমজিং মৈরানি।

তারে তাখিনি নংগী নবাকৈ
শক্ত শকখিনি নহাক্কী নগুণ
তাল্লবা তাইবংগী আশাম্ব নংনি
ময়বা জাতিগী মৈরাম্ব নংনি।।

১১৩

নংনিনে ইমা ঐখোয়গী ইমা
মীয়োক মীচান ককবী ইমা।

ধৰ্ম্ম খুদোং নওগী তম্পাক্না
থুপচরী ভানজরী মনিং তম্না
মখল মখাগী লোলনা লৈতেঙবী
মখল মথেলগী সংস্কৃতি।

কাশ্মীরদগী কন্যা কুমারি
গুজরাতগী মণিপুর
জাতি কাংলুপ কয়াগী মমানি
নংনিনে ভারত মহা জাতি

১৯৭২

মেলৈ' লৈম্না মুংজুম পান
পামেল ফৈরাদা ফৈদোম শা
মালং ফৌরোই তাঙা যেং
লৈনা জগোই শারিবী।

শিঙেল নাতৌ উক্রবদি
পাইম পূক্রিং মুংওয়ালে
লৈরাং লৈখোং লীক্রবদি
বাথন লীশাং থাক্ররে।

লোক্তাক খোংবাল কোয়ক্রুরে
থাংজিং লাইমাং য়োক্ররে
শিঙেল নংবু লৈবাংখিবা
কদায় মাদি কদাম্বা।

১৯৬৯

থাবল ষরবা অহিং লোইরকপা
রাধাগী থম্মোই কায়নবা ওইরে
কৃষ্ণ বিরহ থাংবদা রারবী
কপলক্রে সুংশি রাহৈ চাম্মনা।

লাকপিদরে শ্যাম লাক্তরে কাহাই
রাধাগী যৌবন অরেম্বা ওইরে
সুংশি থঙদবা মহাকী বাথলদা
শেমল্লবা নৈগী শৈয্যাসু হাংলে।

গুরুবা বন্দা মাবু ইাইজবা
ভাইবগী পাজল লোইরব্রী রাধা
মদনগী তেম্না থুম্না থারে
তোমান্দা চেৎনা কোন্দুনা কপলে

১৯৬৭

লৌবীয়ু ইমা নচানা কৎচবা
মচু অহুমসে ইমাগী পামজবা।

কুমজা খুদিং নচানা লাওজরী
লৌমী শিনমীগী হুমাংনা শেমজবা
খম্মাইগী ঈরিক্কা মচু শঙলবা
ইমাগী কীজোলনি জাতিগী কীরান।

চাঙলবা নোংদোলদা সিরি মাললো
মশংবা অতোবা নাপুগী ফিরালনা
থাইরসমু অতিয়া পক্কা
চন্দ্রসমু শান্তিগী পাউজেল।

১৯৬৪

মৈতৈ লৈমা মপারি টিকেন্দ্রজিৎ অথোবা
খুৎলাম তোইনা কৌজরিযে ।

থোই নংগী নথোনা থোই নংগী নরিংজেল
নরৈবাক নংনা সুংশিবা নজাতি নংনা পাম্মুবা
লাইজা ঈশ্বিক ওইতুনা চুথবিরো মালেমদা
পৎথরবা মরোই ননাও তেকথৎহল্লো নোংহৌনা

নংগী শিংলি খুদোং নরৈবাকী ঈনা চেন্নী
নংগী রাখল খুদোং নজাতিগী মৈনা চুন্নী
নিং তম্বগী লানফমদা নংগী খুনাম তাহোবা
লুপাগী চেনা চেনাদা সনাগী মচুনা যেকহোরে ।

১৯৭১

১১৫

থেংলবা অহিংগী ঈচিক হনবদা
নংদোম শাংলিবী শিংঙেল লৈরাং
অহিংগী অনন্দা কিররোই খল্লবা
মীযাংমগী নীনোকস্ত তাররোই নিংলবা।

য়েংঙু অহিংসে লাক্করোই অমুক
হৌখ্রত মিকুপসে ফংলরোই হন্না
শাংংহৌরো শিংঙেল শিল্লারৈ
কেল্লো নুংশি মহাকী থুযাদা

১৯৭০

ইমা নংদি পুকফবীনি য়াইফবীনি
শোয়ন্নি জগৎনা পুন্ন্য ভুমিনি।
নংগী চীংশাংদি মনীনা থাম্মী
নংগী ভস্পাক্তি লনগৈনা চোন্নী
মহৈ মরোংনা চুমলবা লৌবুক
মনী মুক্তানা থল্লবা লনগৈ।
চহি লিশিং লিশিং কয়াগী
লৌশিংনা শান্নিবা ইমাগী দর্পণ,
শান্তিগী লাইজনি ভাইবংগা পুন্সিনি
মালেমদা শান্তি পীনবী ইমানি।

-৯৭০

চৎলসিনে মঙলৈবাক্তা
মৈশা মৈশু বাংম লান্না
শাক্লয়গে নংগী দমক
শঙ্গাই অমা নিংথিরবা।
চুমথাংদগী মচু লৌর
শঙলগে মচু তরেৎমক্কা
শংলেন নাপু ঙাঙ্‌বা শংবান
তগুপ তরেং লংলনি শঙ্গাই।
থাবলগী মেঙলবা মঙালনা
ঙানহল্লগে থাংমৈ ওইনা
থবাননা থাম্বা ফিজং ভনা
মাম্লকৈ মরি তিংলুরগে।
নংনা শমলাং চোইজাইনা ফম্রী
থাজ য়েংলি মোমোন নোঙ্কা
খোইমু ইল্লি শমজির ক্তা
লাংতক্কা য়েংলি ঐনা নংবু।
কয়া মুংঙাইগবা ঐনা
কয়া ফজগবা নংনা
নোংদোল থকী লাইরেংনা
কলক মীহোৎসনু নংবু।
১৯৬৭

তুম তুম তুম খোংলি উথুমনা
তাম্মা তাম্মা য়ৌরি খোম্থাংনা
লৌরী য়াল্লীবা লৌমী পাখং
হুমাংনা তপ তপ তারি।

ত্রোং ত্রোং ত্রোং চেল্লি লৌখোংনা
চিক্ চিক্ চিক্ শান্নে লেমলৈনা
লোংবু খোল্লীবী মৈতৈ মুজা
শাইনোলন নোম নোম হাইরি।

লিরি লিরি লিরি শিংলি মুংশিংনা
লেং লেং লেং চংলি ফোনানা
লৌরাং শুরিবা লৌমী খুজা
খুলং ঈশৈদা তাওরি।

১৯৭০

১১৯

নিংজবা নত্তনা কবিস্থু লৈজদে
নহক্কৈ থুয়াদা কংনবা ঐদি
থম্মোই নত্তনা করিস্থু লৈজদে
থবাইগী নপুদা কংনবা ঐদি।

শিন্ত্রিবা মিংলুগী লাইজনা
শংজাগ নহাক্কী নখোং থম্মাল
থবাই হকচাং লৈজবা অপুম্বা
কংচৌবি ইবুংঙো নথুয়া খংদা

১৯৬৯

নিঙমহৌদ্রবী মুজাগী নিঙাই পুহ্না
লাক্লবরা কুমশিঙ্গু নংবু বসন্ত
নিংথমগী ঊলেন্দা কংগ্রবী মীৎলুগী পিরাং
শিঙ্গহল্লগেরা শিঙ্গহল্লগেরা জর জর ।

হৈনৌ মপালদা লাইরা শোন্দুনা
খোইরাংহল্লরনি হুরাগী পুক্লিং
চঙাংবী মাইথোংদা মোমোন মীনোক্লা
শুমহৎলরনি ঊরু য়েংলু খুদিং ।

মীয়ুংশি য়াওদ্রবা নোংলৈ মুংশিৎনা
ইচাই চাইরবা মৈতৈ লৈকোলসে
শেমজিনবিরম্মু নংনা বসন্ত
য়েনবিরম্মু মুংশি নংগী নপাওদো


১৯৭৩

য়েকপীরো নংগী মুংশি তুলিনা
হে য়েকহৈবব চিত্রকার ।।

পিরাংনা শীন্নবা ঈংডলগী অতিয়া
মুবাগী চেঁইরবা শম্নাংন খুমলিব
কনাগী ওক্লবা পুংলোন তাম্বাগ
নোংথাং লৈমনা জাগোয় শারিব

মীকপ মীরাও হৈরবী নোংজুনা
কনাদ করিবু চারোল ভৌরিব
ঈখৌ লাংলবী মালেম লৈমনা
করণা স্নরদা ঈশৈ শকলিব

১৯৭২



অইবগী কোংখুবা লাইরিক

১। ঈচেগী শম্ (বারীমচা) ১৯৬৫

২। মতগী ঈশৈ (বারী মচা) ১৯৮৪ লাইরিক অসিদা সাহিত্য অকাডেমি নিউ দিল্লীনা ১৯৮৮ একাডেমি এৱার্ড পীখি।